কোভিদ–১৯ অমসুং এনভাইরোনমেন্ট

- সোটিনকুমার -

চহী খুদিংগী জুন ৫ ৱর্ল্ড এনভাইরোনমেন্ট দে মালেমগী মফম শিন থুংনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি। কোভিদ–১৯না ঙসিদি লায়র– ইনাক খুনবা, অচৌ–পীশক, অহল–অঙাং খায়দনা মালেমগী মফম শিন থুংনা লান্দারক্লবা মতমসিদদি মীওইবনা মহৌশাগী খলবু শেন্দোং হেন্না হেন্না তানশিন্নবগীদমক শিংনরুবগী ফলনি হায়বা খঙলক্লবনিনা ৱর্ল্ড এনভাইনরোনমেন্ট দে পাঙথোকপগী ৱাহন্থোক হেন্না ময়েক শেংবা হেল্লক্লে। মহৌশানসু কোরোনা লোয়ননা অতোপ্পা খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা মহিক মতাইশিং, অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ, ঈশিং ঈচাওনচিংবগী মওং লৌদুনা মীওইবদা হন্দুনা লান্দারক্লি।

মতাং চানা ঐখোয়না নীংশিংগদবদি ১৯শুবা চহীচাদা এঙ্গেলসনা ‘দাইলেক্টিক্স ওফ নেচর’ গী মতাংদা থমখিবা ৱাফম মদুদা মহৌশাবু খুদুম চনবা ঙম্লে হায়দুনা নাপল কারোইদবনি। মরমদি মহৌশাবু খুদুম চনবা খুদিংগী মহৌশানসু হন্দুনা ঐখোয়দা লমন খুল্লকই। হৌরকপদদি ফংলক্লিবা ফল অদু ঐখোয়গী অপান্বগী মতুং ইনগনি। অদুবু মতুং তারকপদদি ওন্ন– তৈনবা ফলশিং থোরকই। মদু হৌজিক্কী মতমদা ময়েক হেন্না শেংলক্লে। ঐখোয় ঙসিদি মার্ক্স অমসুং এঙ্গেলসনা ১৯শুবা চহীচাদা মচা খায়না ফোঙদোক্লম্বা মীওইবনা মহৌশাবু শিংনরুবগী ফংলক্কদবা ফলশিংদু নৌহৌননা নৈনবা মথৌ তারি।

কোভিদ–১৯না মীওইবা খুন্নাইদা পীরিবা য়াম্না খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা লাইচৎ অসি মথক্তা পনখ্রিবা মহৌশাবু শিংনরুবগী ফলনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। হন্দক নুমিৎ কয়ানি (মার্চ থাগী অরোইবা শরুক্তগী) চুপ্না লোকদাউন তৌখিবা অসিদা মহৌশাসু হান্নগী শক্তমদা তপ্না তপ্না হঞ্জিল্লকপা উরি, ঈশিং, নুংশিৎ, লৈমায় অমদি ঈশিংদা য়াওরম্বা হুগী মশক ওইরবা মচাকশিং অদু হন্থরকপা থেংনরি, লৈঙাক্লা অহেনবা শেলফম থাদদুনা তুরেল তেংদ্রবসু মতোমতা শেংদোকচরক্লি । হান্না উবা ফংলুদ্রবা উচেক–উয়াশিং ঐখোয়গী অকোয়বদা চাক্তবা হৌরক্লে। উপাল ৱাপালশিং য়েন্নিং চোংলক্তুনা, মসা মরেং শন্দোরক্তুনা ঐখোয়না হিংবদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা ওক্সিজেন মরাং কায়না থাদোরক্লে অমদি নুংশিৎতা মোৎশিনহনবা হন্থহন্দুনা অকোয়বগী ফীভম হেন্না ফজনা ফগৎহল্লে। হৌজিক্কী ফীভমসি মখা তানা লৈহনবা ঙম্লবদি মালেমসিদা লৈরিবা থৱায় পানবা জিবশিং মরু ওইনা ঐখোয় মীওইবগী হেন্না শাফবা ওইগনি। কিলোমিটর চা কয়া লাপ্পদগীসু হিমালয় চীংশাং মশেক মঙাল ফুদোক্লা তরং–তরং উবা ফংলে, লমকোয়বশিংনা মোৎশিন্দ্রবনা লৈবাক অসিগী মরু ওইবা তুরেলশিং গঙ্গা, যমুনা , কৃষ্ণ, কাবেরী, গোদাবারিনচিংবা মোৎশিনবা হন্থরে, য়েংবদা ফজরে। নহানমখৈ চহী কয়া লিশাং শিংনা লুহনবা, নালহনবা ঙম্লমদ্রিবসি লৈঙাক্কী থৌশিলদা অশোয়বা অহোবা লৈবদগী ওইরম্লে।

কোরোনা অমসুং মহৌশা ঃ

কোরোনাগী শাথিরবা লাইচৎ অসি অকোয়বগী অমদি শেন্মিৎলোনগী ফীভম অনীসিনা ওইহনবনি। থৱায় পানবা খুদিংমক মখোয় মখোয়গী চুশিন্নবা মফমদা হিংজনবগী রাইট লৈ। চাওখৎলকপগী মীংদা মীওইবনা মহৌশাগী খল কায়হনবা থবক থৌওং কয়া চথবদগী হৌরিবা উপাল–ৱাপাল, লম্লক্কী শা ঙা, য়াম্না কুপ্পা তিল কাংশিংগী হৌজনবগী, হিংজনবগী মফম পিকশিল্লকই। মসিনা অচৌবা মরম অমা ওইদুনা শা–ঙা, উচেক–ৱায়া, তিল কাংশিংগা মীওইবগা নকশিন্নবা হেল্লকপদগী খুদোংথিংবা কয়া নংহল্লকই।

কোরোনাগী মহিক মখলশিং অসি মরু ওইনা শেকপীদা শাইদাংদুনা হিংবনি। মহিক হায়বসিদবু ওর্গানিক কম্পাউন্দনি। মসিনা থৱায় পান্দবা পোৎচাকশিংদগী থৱায় পানবা অহিংবা জিবশিংদা লানশিন্নবগী তাঞ্জা ফংবদা চংশিল্লি। মহিকশিং অসি অহিংবা জিবশিংদা লানশিন্দ্রিঙৈগী মমাংদদি মথৌ তৌদনা লৈ। অদুগা লানশিল্লবা মতুংদদি কনখৎলক্তুনা লাইওং উৎপা হৌরকই। কোরোনাসি চাইনাগী ৱুহানগী শা য়োনবা মফমদগী শন্দোরকপা হৌরকপনি হায়না লৌনৈ। অমরোমদসু কোরোনা লাইচৎসি য়ু এস – চাইনাগী অপুনবা মিলিটরি এক্সরসাইজ অমা কুমজা ২০১৯গী লোইরমদাইদা ৱুহান্দা পাঙথোকখিবা অদুদগী শন্দোরকখিবনিসু লৌনবা য়াওই। চাইনাগী ওইনদি কুমজা ২০০২–০৪গী মতমদসু সার্স কোরোনাগী পাক শনবা লাইচৎ মায়োক্নখ্রবনি।

কোরোনা অমসুং ইকো–ইম্পেরিয়েলিজম ঃ

কোরোনা লাইচৎ অমসুং মসিনা মীওইবদা পীরিবা শাথিরবা চৈথেং অসি হিদাক লাংথক পুথোক্লিবা কম্পেনিশিংনা মপুং ফানা থেংননবা শেম শাফম থোকই। মালেমগী ওইনা হিদাক লাংথক পুথোক্তুনা য়োল্লিবা ফার্মাসিশিংগী কৈথেল অসিদা চাওরাক্লা মিল্লিয়ন দোল্লর ৯৩৪–৮ রোমগী পোখোকশিং চহীদা য়োল্লি। লোয়ননা চহীদা চাদা ৫.৮ গী চাংদা অহেনবা শেন্দোং তানশিল্লি। মখোয়গী মনুংদা মকোক থোংবা কম্পেনি ১০না চাদা ৩০গী হিদাক লাংথক পুথোক্তুনা য়োল্লি। কাপ্পনবা ভেক্সিনগী চাদা ৮০দি সার্ক এন্দ প্লিজর হায়বা কম্পেনি অসিগী মতোমতগী পোখোকনি। মালেমদা হিদাক লাংথক শাদুনা পুথোক্লিবা কম্পেনিশিংগী চাদা ৫০গী রেভিন্যু য়ু এসকী হিদাক লাংথক্কী কম্পেনিশিংনা ফংলি। কুমজা ২০০১দা মালেমগী কৈথেলশিংদা বিল্লিয়ন দোল্লর ৩৯০গী হিদাক লাংথক য়োনখিবদু চহী ১৮গী মতুং কুমজা ২০১৯ দদি ৱাখলনা লান্বদা ওইথোক্লরোইদবা মানবা মওংদা য়োনখিবদগী ত্রিল্লিয়ম দোল্লর ১.২৫ দা খঙহেন হেঙ্গৎলকখি।

মরী লৈননা থমজনিংলিবা ৱাফমদি, অনৌবা হিদাক লাংথক পুথোকপদা মাঙজিল থারিবা মমিং লৈরবা অচৌবা কম্পেনি কয়া লৈরিবা অমদি চাওখৎপা খম থেংলবা অমেরিকাগুম্বা লৈবাক অমনা মালেমগী মীয়ামবু য়োৎশিন্নবা হোৎনরক্লিবা তমথিরবা কোরোনা লায়চৎ অসিবু লাকশিন্নবা হিদাক পুথোকপদা মতম শাংনা লৌরিবা করিগীনো? মসিগী মরম লৈফম থোকই। লায়নাসিনা মালেমগী লৈবাকশিংদা থোকহনবা মীশি মীনাগী চাং, চাওখৎলবা কেপিটালিষ্ট লৈবাকশিং–য়ু এস, ইটালি, স্পেন, য়ু কেনচিংবদা ৱাংবা হেল্লি। অদুগা ঐখোয়গী লৈবাকসু লৈঙাক্লা লৌখৎলিবা চেকশিন থৌরাংশিংদা অশোয়বা কয়া লৈবদগী লাইচৎ অসিনা ঙসি ফাওবদা মীওই লাক্ষ ২২গী মথক্তা শোকহল্লে অমদি মীওই লিশিং ৪৫গী মথক্তা অশিবগী খয়াৎতা তাখ্রে। শেঞ্জাও পায়বা কোর্পোরেটশিংদি অহেনবা শেন্দোং তানশিনবদদি থৱায় হকচাং য়াওরি। অদুবু লাইচৎসিগী মতাংদদি থওই–ৱাওইদনা লৈশিল্লি। অমরোমদা শেন্দোং কয়া হেন্না লাকপা মাস্ক, পি পি ই শাবদা থৱায় য়াওশিন্দুনা মখোয় মখোয়গী মার্কেট চাওথোক্লবা হোৎনরি।

মালেম শিনথুংবা কোরোনাগী লাইচৎ অমদি ইকোলোজি কাইথরকপা অসি শেঞ্জাও পায়বশিংগীদমক্তদি মতোন থোক্লে । মরমদি মখোয়গীদমক থবক শূবীনবা শিন্মী খ্বাইদগী অতাবা খুৎশূমলদা ফংলে। লাইচৎসিনা মরম ওইদুনা শূফম–নোম্ফম লৈতদুনা ঙাওচৎনরবা শিন্মীশিংনা অপিকপা শেলফম খরগীদমক মখোয়গী লাংদা থুরি।

মহৌশাবু শিংনরুবগী ফল ঃ

নাকল অমরোমদসু য়ু এসনা মালেমগী লৈবাক কয়ানা অমত্তা ওইনা য়ানখ্রবা শাবগী চাং হেঙ্গৎলক্লিবা অসি মখা তানা হেঙ্গৎহন্দনা থমদুনা এনভাইরোনমেন্ট কন্ননবগী য়ানখ্রবা একোর্দ অদু হন্দোকখিবসিনা কায়থরক্লিবা অকোয়বগী শক্তম কন্নবগী চঙশিল্লক্লিবা খোঙথাংদা চাউনা খুরৌ থাংহল্লে। মালেমগী কৈথেলদা শেন্দোংগীদমক খল্লগা অকোয়বগী ফীভম কায়থনরকপগী নুংনাংবা পোক্তনা লেপ্পা লৈতনা অহেনবা অনৌবা থাওগী খনী থীদুনা থাও চিংথোক্লি। থৌওংসি অসুম চথরিবগী মরমদি অকোয়বগী শক্তম কনবা হায়বসি কোর্পোরেটশিংগীদমক্তি মখোয়গী শেঙ্গাওদা হাপচিল্লক্কদবা অচৌবা শেন্দোং খায়দোকখিবনি। থাও হায়বসি মালেমগী চাওখৎপা পুরকপা অহোংবা কয়ানা মরম ওইদুনা কৈথেলদা খ্বাইদগী হেন্না লৈদুনা শীজিন্নবা পোখোকনি। অমরোমদসু মসি (থাও) কা হেন্না শীজিন্নবনা অকোয়বগী শক্তমদা মেনশিনবা ঙম্লরোইবা অকায়বা কয়া থোকহল্লি।

লল্লোন ইতিক্কী লম্‌দা অথোই অহেন তান্নবা অমদি কোরোনাগী লাইচৎ অসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা য়ু এস ইম্পেরিয়েলিজমনা মালেমগী শেন্মিৎলোন শোকচিন্নবা হোৎনরি। ইন্টরনেসনেল ইনর্জি এজেন্সিনা ফোঙলকপগী মতুংইন্না য়ু এসতা লৈবা থাওগী কম্পেনিশিংনা মশীং লাকঙমদ্রবা শেল–থুম থাওগী করবারদগী তানশিনখ্রে। মালেমগী কৈথেলদা থাওগী মমল হন্থখ্রবসু ঐখোয়দা থাও অমদি চাকথোং গ্যাস মমল ৱাংনা ফংহল্লি। তশেংবমক্তি থৌওংসি শেঞ্জাও পায়বশিংনা মীচম মীয়ামদগী ঈ চুপ্পনি।

ঙসি ঙসিমক অইং–অশাদা অচৌবা অহোংবা লাকপসিনা ঈচাও অমদি ঈকং থোকপা, অখাক–অরাওগা শাফু কনবা নোংলৈ–নুংশিৎ, খঙশা শাবা, খঙঈং–ঈংবনচিংবা ওইথোক্লোই খল্লম্বা কয়া অচুম্বা ওইরক্লি। অৱাং অমসুং খা মেরুগী লমশিংদা উন্না থানা কুপশিল্লম্বদু লেপ্পা লৈতনা শৌদোরকপদগী ঙসিদি সুমুদ্রগী ঈমাই ৱাংখৎলক্তুনা মালেমদা লৈরিবা অকুৎপা অনেম্বা মফমশিং সমুদ্রগী ঈরোন্নুংদা লুপখিগদ্রা হায়বগী মীপাইনবা ফাওনরি, লৈবাক কয়াগী কেপিটেল সিতিশিং মফম হোংদোকপগী ৱাফম ফোঙদোক্লরি। মসিদা নত্তনা অৱাং অমদি খা মেরুদা সমুদ্রগী ঈশিং অসি শাবা হেনবদগী উনপাকশিং শৌদোকপা হেল্লক্তুনা ঈশিং ঈচাও অমদি ঈকং তোয়না থোক্লি।

মহৌশাবু শিংনরুবগী ফল ঃ

হৌখিবা দিকেদ অহুম (চহী ৩০) সিদা আর্টিক্কী শরুক অসি চাদা ৩০ পিকশিনখ্রে হায়না থিজিল্লোইশিংনা ফোঙদোক্লি। মসি মীওইবা খুন্নাইগীদি হঞ্জিনবা ঙম্লরোইদবা মাঙজবনি। মফমশিংদুদা শাবগী চাং হেঙ্গৎলকপনা খুৎলৈ থুনা উন শৌদোকপসু হেঙ্গৎহল্লি । অসুন্না শেন্দোংগীদমক চথরুবা মীকাবা থৌওং থৌশিলনা ঙসিদি মীওইবা খুন্নাইনা হিংবদা অৱাবা, খুদোং চাদবা কয়া মায়োক্নরি। ঈশিং–নুংশিৎতা অহোংবা কয়া লাকপনা নোংজুগী মতম অরেপ্পা লৈরক্তবনা মহৈ–মরোংগী পোখোকশিং পুথোকপদা অৱাবা কয়া মায়োক্নরি। তশেংনমক মহৌশানা হন্দুনা ঐখোয়দা লমন খুল্লক্লি।

ঙসিদি ঐখোয়না ঈশিং অসি অসুক্কী মতিক মোৎশিলহল্লে। মদুদি তুরেলগী হৌরকফমদা ফাওবা ঈশিং অদু শীজিন্নবদা হকচাং শোক্লিংঙাইগী মওংদা লৈরে। অদুবু তুরেলগী ঈশিং শেংদোক্লবা থবক পায়খৎপগী মহুৎতা লৈঙাক্কী খুৎচাবী খরনা বোট্টলদা হানবা মিনরেল ৱাটর পুথোক্তুনা য়াম্না চাওবা শেন্দোং লাকপা করবার ওন্থোক্লে। মতম অমদদি ঈশিং লৈদুনা থক্ল–চানবা অমদি অতৈ ঈশিং চঙদবা য়াদবা হিরমশিংদা শীজিন্নরক্কনি হায়বসি মঙদা ফাওবা মঙলুবা নত্তে। খরা লৈরগদি শ্বর হোন্নবা ওক্সিজেন ফাওবা লৈদুনা শীজিন্নবগী তঙাইফদবা লাক্কদৌরি। হৌজিকপু মীচম মীয়ান্না অতাবা মমলদা থক্লবা ঈশিং ফংবগী আশা তৌনিংঙাই লৈরিব্রা? অসুন্না শেন্দোংগীদমক য়েংলগা চথবা থৌওং কয়াসিনা অকোয়বগী ফীভম হেন্না শোকচিলহল্লক্তুনা অরু–অরুবা লায়না লাইচৎশিং মায়োক্লবা হেল্লক্কদৌরি।

চাওখৎপা অমসুং এনভাইরোনমেন্টঃ

ঐখোয়না হেন্না চাশিন্নবা মওংগী টেক্নোলোজি শীজিন্নদুনা চাওখৎপসু পুরক্লবা অদুগা অমরোমদসু অকোয়বগী শক্তম কায়হন্দনা থন্নবা হোৎনবগী মথৌ তারি। ঐখোয়না কেপিটেলিষ্ট অমদি ইম্পেরিয়েলিষ্টশিংদতা মরাল থংজিন্দুনা লৈবনদি মতম হৌখিদুনা মালেমগী চাওখৎলবা সভ্যাতাসি মুৎখিবনা হাল্লগনি। মরম অসিদগী মালেমদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা শিনফমদা লৈরিবা মীওইশিং, পোলিটিকেল পার্টিশিং, স্কুল, কলেজ, প্রোফেসনেল ট্রেনিং ইন্সটিট্যুটশিং, ক্লব, ওর্গনাইজেসনশিং পুন্না খুৎশন্নদুনা অকোয়বগী শক্তম কন্নবা হোৎনবসিনা ইহান হান্না লৌখৎফম থোকপা থৌদাং ওইরবতদা শান্তি লৈবা, নিংথিজরবা মালেম অমা তুংগী মীরোলগীদমক থল্লম্বা ঙমগনি। ●

ষ্টেটকী পাউ

লাইনিংহল নাওরিয়া ফুলোগী মপোক কুমওন পাঙথোক্লখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১১ (ঐচ এন এস):

লম্লাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুং চন্না লৈবা চানা খুলগী নুংশিকোল পার্কতা ঙসি অয়ূক পুং ৮ তাবদা লাইনিংহল নাওরিয়া ফুলোগী ১৩২ শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে।

সনামহী লাইনিং লূপনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা শক্লাইরবা অইবা অমসুং কলচরেল এক্টিভিষ্ট চানা লুখোইনা অথোইবা মীথুংলেন ওইখি। থৌরম মপূনা চানা দিভলপমেন্ট কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট ক্ষেত্রিময়ুম তোমপাপুনা ওইখি। লাইনিং লাইশোলগী থৌরম্না ওইনাম মঙ্গিনা পাঙথোকখি হায়রি। লাইনিংহলনা ইবিরম্বা শৈরেং খরসু থৌরম অদুদা পাথোক্তুনা মীয়ামদা তাহনখি।

অথোইবা মীথুংলেনগী ৱারোল পীরদুনা চানা লুখোইনা হায়খি, লাইনিংহল পোক্লমদ্রবদি ঙসি ঐখোয়না মীতৈ ওইনা হিংজবা ঙমজরিবা অসিমক ঙম্লম্লোই। ইরোল-ইয়েক পূম্নমক মাঙখিদুনা মীখা পোন্না হিংলমগনি। মহাক পোক্লম্বননি ঙসি ঐখোয়না ইমালোল ঙাংজবা ফংজরিবা অসি। লাইনিংহলনা ইবিরম্বা লাইরিকশিং ঙসিগী মীরোলনা হন্না-হন্না নৈনবগী মথৌ তাই। মহাক্কী থম্মোয়দা লৈখিবা মীতৈবু নুংশিবগী ঈহুল অদু মতম পূম্বদা নীংশিংফম থোকই। মহাকপু নীংশিংবা ঙম্লবা মী অমত্তনা মমালোল মীরাইবা হৌনদে হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা মৈরা পায়বীগী লুচিংবী চানালেম্বী, থোকচোম তোম্বী, লাইশ্রম ইবেমচানচিংবা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি। থৌরমগী লোইরকপদা নুংশিকোল পার্কতা লাইনিংহলগী মিংদা উ কয়াসু থাখি হায়রি।

অমরোমদা, ১৩২শুবা লাইনিংহল নাওরিয়া ফুলোগী মপোক নীংশিং থৌরম ৱাঙ্খেই থম্বালখোংদা লৈবা মীতৈ শঙলেন্দা মীতৈ মরূপকী থৌপুরেল যুমখাইবম চীঔঙ্খেঙানবা লুৱাংনা লূপকী মচু তরেৎকী ফিরাল চিংখৎতুনা পাঙথোকখি হায়না মীতৈ মরূপ, মীতৈ লৈপাক ইম্ফালগী সেক্রেটরি জেনরেল অঙোমচা সেরাম গোজেন্দ্রোনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা হায়, থৌরম অদুদা থৌপুরেল ওইখিবা যুমখাইবম চীঔঙ্খেঙানবনা ফোঙদোকখিবদা, মালেমগী মফম শীনবা থুংনা শন্দোরক্লিবা লায়না লাইচৎ কোভিদ-১৯গী লাম্থেং মরকসিদা ইন্দিয়া অমদি মণিপুর লৈঙাক্কী য়াথং ঙাক্লা সোসল দিষ্টেন্স থমদুনা ১৮শুবা চহীচানা হৌগৎলকপদা ইনিংথৌ পামহৈবনা পানবা মতমগী খোঙলৈদা মপান্দগী হুমজিল্লকখিবা অকনবা নোংলৈগী শাফূ অমনা হুমদুনা পুখিদুনা চহী ৩০০ রোম মীকপ থোক্তনা তুংখুল তাল্লুরবা মীতৈ চীংমী-তম্মীবু নৌহৌননা মীকপ থোকহনবীরম্বা লাইনিংহল নাওরিয়া ফুলোগী ১৩২শুবা মপোক নীংশিং থৌরম কুমশি চহীগী ওইনদি মমিংতা ওইনা মীওই খরতনা লৈপাক্কী মহুৎ শীন্দুনা লাইনিংহলগী মীতমদা লৈ-শু কৎতুনা পাঙথোক্লরি হায়খি।

থৌরম অসি মনিন নাইনা লৈপাক্কী থাক্তা পাঙথোকপদা খূদোংচাদ্রবনিনা য়ূমথোঙ খূদিংদা মৈরা অমত্তংদি কৎপীদুনা লাইনিংহলবু ইকায় খুম্নবা উৎপীয়ু হায়না মীতৈ মরূপ, মৈতৈ লৈপাক্কী মায়কৈন্দগীসু হায়জরি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মীওই ২৯৩ ফ্লাইট মঙাদা পুশিল্লকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১১ (ঐচ এন এস):

মপান লমদা তোঙান-তোঙানবা মফমদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ২৯৩ রোম ঙসি তোঙান-তোঙানবা ফ্লাইট মঙাদা ইম্ফাল ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখ্রে।

ঙসি অয়ূক পুং ৯.২০ তাবা মতমদা ইন্দিগো-৬ঈ/২৫১ ফ্লাইট অসিনা দিল্লি অমদি গুৱাহাটিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৭৫ ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখি। অয়ূক্কী পুং ১০.৪০ রোম তাবদা এয়র এসিয়া আই ৫/৭৮৩ ফ্লাইট অসিনা দিল্লি অমদি গুৱাহাটিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১২৩ ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখ্রে। অহুমশুবা এয়র ইন্দিয়াগী এ আই/৭১৩৫ অসিনা অয়ূক্কী পুং ১১.১৭ তাবদা কোলকাটাদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১৮ ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখি। মরিশুবা ফ্লাইট ইন্দিগো ৬ঈ / ৭০৭ অসিনা ঙসি নুমীৎয়ুংবা পুং ১২.১৫ রোম তাবদা কোলকাটাদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৭০ ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখি। মঙাশুবা এয়র ইন্দিয়া এ আই ৭১৪ অসিনা ঙসি নুংথিল পুং ২.১৫ রোম তাবা মতমদা আইজোলদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৭ ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখি।

ঙসি তোঙান-তোঙানবা ফ্লাইট মঙাদা ইম্ফালদা পুশিল্লকখিবা মীওই ২৯৩ অদু ইম্ফালগী এয়রপোর্ট মনুংদা লৈবা মেদিকেল ষ্টাফশিংনা স্ক্রিনিং তৌরবা মতুংদা মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্টকী বসতা পুরগা ঘড়ীদা লৈবা ঐচ আর দি একাদেমিদা থমখি। মদুগী মতুংদা তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী মরী লৈনবা মীওই লাক্লগা কারন্টিন তৌনবা পুখি হায়রি।

য়ুমথোং ৩০০ রোমদা চানবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১১ (ঐচ এন এস):

হৌজিক মালেম পুম্বদা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা মরম ওইরগা মণিপুরদসু লাইচৎ অসি শন্দোরকপদগী লৈঙাক্লা লোকদাউন অমদি কার্ফিয়ু থমদুনা মীয়াম য়ুমদগী মপান থোকহন্দবা অমদি থবক শুফম-নোম্ফম খঙদনা অৱাবা কয়া মায়োক্নরিবা চৈরক অসিদা কোন্থৌজম মখা লৈকায় য়ুথ দিভলপমেন্ট এসোসিএসন (কে এম ৱাই দি এ)না কোনবা কোন্থৌজম লৈকায়গী এরিয়াদা লৈবা য়ুমথোং ৩০০ রোমদা নোংমদা চঙদবা য়াদ্রবা হৱাই, থুম, থাউ অমদি মোরোকনচিংবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে হায়না ক্লব অসিগী সেক্রেটরীনা খঙহল্লক্লি।

ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টতা ৱাকৎখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১১ (ঐচ এন এস):

মণিপুরী লোলবু অথুবা মতমদা অসামগী ওফিসল এসোসিএট লেংগ্বেজ ওইনা অয়াবা পীবীয়ু হায়না মণিপুরী লিটরেরি এন্দ কলচরেল ফোরম অসাম (এম এল সী এফ এ)গী প্রসিদেন্ট মনিহার অমসুং সেক্রেটরি এ কুঞ্জমোহোননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা হায়, হীরম অসিগী মতাংদা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর, অসামগী চীফ মিনিষ্টর অমসুং এদ্যুকেসন মিনিষ্টরগী মফমদা মণিপুরী লোলবু অসামগী ওফিসল এসোসিএট লেংগ্বেজ ওইবগী অয়াবা পীবীয়ু হায়বগী ৱাকৎচে অদু পীখিবনি। স্কুলগী প্রোভিসিএলাইজেসন তৌবদা এম এল টি পোষ্ট দ্রোপ তৌবীগনু অমসুং দ্রোপ পোষ্ট ওইনা রিটয়র্দ ওইগদৌরবা ওজাশিংদা লুপা লাখ ২০গী মতেং পীবীয়ু হায়না লৈঙাক্তা তকশিনখি হায়রি।

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ / মেদাম লাংলেনবু থাগৎচরি



থৌনাওজম মুনাল (৬০) হাওবম মরক্তা লৈবা ঐ মতম কুইনা অজমা তোইনা লোক শীৎতোকপা ঙমদবা, হেঞ্জিল্লক্তুনা শ্বর হোনবা ৱাবা, থবাক ফুনবা, শাদৌ থোংবা, দোক্টর কয়া য়েংদুনা অমদি গুৱাহাটিদা য়েংবদসু ফত্তবদগী মেদাম লাংলেননা পুংফ-ফহল্লে। চেপ্পা-লোংবা, তুম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, লোক কংখূ (শাংনা খূবা), চৎপা ৱাবা অমদি হকচাংগী নুংঙাইতবা পূম্নমক ফরে। মসিগীদমক হন্না-হন্না থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

ইরুংবম মনাওবী (৭০) মোংশাঙ্গৈদা লৈবা ঐ নুংশঙনা (পাইলস) চিকপা-শাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, দোক্টরগী গুলি চারগা হীদাক-মহী থক্লগা খোঙ য়াম্না ৱানা হাম্বা, চাং নাইরমদবা, চাবা-থকপা নুংঙাইরমদবা য়েংবা য়াবা য়েংবদা ফৎতবনা মেদামনা য়েংবীদুনা ফহনবীরে। মপোক অমা পোকহনবীরে মসিগীদমক্তা পাউচেগী খূথাংদা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

লায়েংফম :- **Kwakeithel (Near Bazar)**
Contact No. 8974671844

HL-P/7428/12

SAINIK SCHOOL IMPHAL
POST VACANCY : GEN EMPLOYEE (01)

Sainik School Imphal intends to fill up one post of General Employee (Regular) under ST category. Interested candidates may visit the school's website : **ssimphal.nic.in** for details.

Sd/-
Principal, Sainik School Imphal

HL-P/7427/12

ꯑꯋꯥꯕꯥ/অৱাবা ফোঙদোকচবা



হৌখিবা তাং ৮/৮/২০২০ ইংদা ঐচ টি টি সীদা মতম শাংনা থবক তৌবীরম্বা চরোইবম ইবোমচা সিংহনা ইখঙ খঙহৌদনা মনুং-মতম চাদনা মশাগী অনাবা অমদগী লৈখিদবদা কোলেজগী ষ্টাফশিং অমদি মহৈরোয়শিংনা মিনট অনী লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা ঈশ্বরগী খুয়া খাদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবগী থৌনিজবগা লোয়ননা ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি।

Sd/- Dr. H. Ibeyaima Devi,
Principal, H.T.T.C. Imphal

HL-P/7430/12

COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION,
MANIPUR

NOTIFICATION
Imphal, the 10th August, 2020.

No.3(1)111/2016HSC : In pursuance of Council resolution No. 4.1(III) of its meeting held on 17-07-2020 and in partial modification of earlier notification number 3/3/2009- HSC(Vol-V): dated 25th May, 2016 it is, hereby, notified for general information to all concerned that the following Scheme for offering MIL or Alternative English shall be enforced with effect from the Academic Session, 2020-2021.

a) For a student offering his/her dialect in Class – X and willing to offer another dialect in Class-XI, Change of his/her dialect shall not be allowed.

b) For students offering Hindi/Nepali in Class-X and willing to offer Alternative English in Class-XI, they are allowed to offer Alternative English.

c) For students offering Eman (RS) in HSLC Examination conducted by the Board of Secondary Education, Manipur and willing to offer Alternative English in Class-XI, they are allowed to offer Alternative English.

All the heads of institutions under the Council are, therefore, requested to do the needful from their end.

Sd/- CH. BIREN SINGH
Secretary,
Council of Hr. Sec. Edn.,
Manipur.

HL-B/6310/12

COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION,
MANIPUR

NOTIFICATION
Imphal, the 10th August, 2020.

No. 3(I)/3/2009- HSC(Vol-V)(pt): In pursuance of Council resolution No. 4.1(II) of its meeting held on 17-07-2020 and in supersession of previous order issued in this regard the modified/rectified Syllabus of Home Science subject of Classes XI & XII which were modified/rectified in conformity with the latest Text Book of NCERT, be enforced with effect from the academic session, 2020-2021 in Class XI and 2021-2022 Class in XII.

All concerned are, therefore, informed to do the needful accordingly.

Sd/- CH. BIREN SINGH
Secretary,
Council of Hr. Sec. Edn.,
Manipur.

HL-B/6309/12

THE HIGH COURT OF MANIPUR
AT IMPHAL
NOTIFICATION
Imphal, the 11th August, 2020

No. HCM/G-20/96-A&E/Pt. I/ : In continuation of this High Court's earlier notification No. HCM/G-20/96-A&E/Pt. I/10566 dated 13th July, 2020 for repairing of 750 KVA DG (Jakson Cummins) of this Registry, the last date of submission for Seal Rate Quotation and opening of the same is extended.

The last date for submission and date for opening which was originally fixed for 5th August, 2020 is now fixed on 31st August, 2020.

Submission will be received upto 12 noon and will be opened at 1:00 pm of the same day.

Interested firms may come for inspection during Office hours.

Sd/- **PH. JAPAN SINGH**
i/c REGISTRAR (ADMN./PM&P)
HIGH COURT OF MANIPUR

HL-B/6311/12

ꯃꯥꯏꯄꯥꯛꯄꯤ ꯃꯦꯇꯔꯅꯤꯇꯤ ꯑꯃꯁꯨꯡ ꯆꯥꯏꯜꯗ ꯍꯣꯁꯄꯤꯇꯦꯜ
MAIPAKPI MATERNITY AND CHILD HOSPITAL
Center for Infertility, Mother and Child Care.
NORTH A.O.C, IMPHAL WEST, MANIPUR.

ꯃꯊꯧ ꯇꯥꯔꯤ/ WANTED

MMCH/AD-26/D/2019: Interested candidates are requested to send the relevant documents through email at maipakpi_10@yahoo.com on or before 16th August, 2020.

Sl. No.	Post	No. of Post	Qualification	Desirable	Interview
1.	OT Technician	4	2 Years Diploma Course in Operation Theatre Technology.	At least 2 year experience in Laparoscopic Surgery	Only the shortlisted candidates will be informed over the phone.

Sd/-HR Manager, MMCH.
Communication No. 9612302709

HL-P/7429/12

ꯅꯨꯡꯁꯪ/নুংশঙ (পাইলস) ওপরেসন তৌদনা ফহল্লি



Naorem Ibomcha

নুংশঙগা মরী লৈনবা লায়ওং খুদিংমক :- মপান্দা পোম্বা, তংবা, ঈ তাবা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, অমাংথোঙ চোন্থবা, নাই চারগা পোম্বা অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেষ্টুলা), মনুংদা পোম্বা (হেমোরোয়র্দ), হাক্কৎচবা অদুগা খোঙ হাম্বা য়াদবা অসিনি। অদুগা অতোপ্পা লায়ওং খরনা হকচাংদা তাং-তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ-খূৎতা চিকপা, পোম্বা, পংথবা-শিথবা হকচাংগী শরুকশিংদা শিংলি-নাওরি নুংঙাইতবা হায়রিবা লায়ওংশিং অসি ফহন্নীংবা লৈরগদি হংবীনীংবা লৈরগদি অমুক্তং লেংথোকপীরক্তুনা তানবীয়ু।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai
Contact Nos. 8014023792/6009147645

HL-B/6295/27 july to 25 Aug.

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অহংবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লগা মরী লৈনদে।